মণিপুর উট্টর প্রদেশকী মখুত্তা ০-২৩দা মায়থীদুনা ৪শুবা তাহৌরে ঝরখন্দনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

জিন্দ, মার্চ২৫ (এজেন্সী):

উট্টর প্রদেশকী মখুত্তা মণিপুরগী টিম পাঞ্জল ০-২৩দা মায়থীদুনা ৪শুবা পোজিসন তাহৌরে। হোক্কী ঝরখন্দনা হোক্কী হরয়ানাবু পেনাল্টি শুটআউটতা ৩-১দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি হরয়ানাগী জিন্দদা অয়ুক পূং ৯ তাবা মতমদা শান্নখিবা ৩শুবা পোজিসনগী মেটচ অদুদা মণিপুর অমসুং উট্টরপ্রদেশ লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী অহৌবা ক্বার্টরদগী উট্টর প্রদেশকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। মখোয়গী মায়কৈদগী ক্বার্টর খুদিংমক্তা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

অহানবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ৭, অনীশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ৫, অহুমশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ৩ অমসুং মরীশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ৮ পুন্না পাঞ্জল ২৩ চনবা ঙমখি।

উট্টর প্রদেশকী মায়কৈদগী প্রজাপতি অনকিট কুমারনা পুন্না পাঞ্জল ৬ চন্দুনা খ্বাইদগী য়াম্না পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ভরদ্বাজ নিতিসনা পাঞ্জল ৫চনবা ঙমখি। টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় খান ফহাদ অমসুং য়াদব অজিৎনা পাঞ্জল ৩/৩ চনবা ঙমখি। টিম অদুগী কেপ্টেন য়াদব চন্দন অমসুং কুমার অজিৎনা পাঞ্জল ২/২ চনবা ঙমখি। লোয়ননা সুক্লা প্রসান্ট অমসুং য়াদব অভিসেকনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমফাওবা চনবা ঙমখিদে।

মেটচ অদুদা হোক্কী উট্টর প্রদেশনা পুন্না পোনাল্টি কোর্নরদা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। পেনাল্টি ষ্ট্রোকতনা অমা অদুগী অতোপ্পা পাঞ্জল ১৯না ফিল্ড গোলদা চনখিবনি।

ঙসি নুংথিল পূং ৪ তাবা মতমদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা য়ুম্বু ওইখিবা হরয়ানা অমসুং ঝরখন্দ লম্বা তৌনবদা হৌবদগী য়াম্না অকনবা মওংদা শান্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। ক্বার্টর মরীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী কাংলোনগী মতুং ইন্না পেনাল্টি শুটআউট চথ্নখি।

পেনাল্টি শুটআউট অদুদা হোক্কী ঝরখন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ স্কোর তৌবা ঙমখি। অদুগা হোক্কী হরয়ানাগী মায়কৈদগীনা শুপ্নগী পাঞ্জল অমখক চনখি। হোক্কী হরয়ানাগী মায়কৈদগীনা টিম অদুগী কেপ্টেন শিভমনা গোলকিপর ওইখি। অদুগা ঝরখন্দগী মায়কৈদগীনা মুন্দা দুগানা ওইখি।

নাকল অনীগী মায়কৈদগী অহানবা সোটশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদে। হরয়ানাগী সুখভিন্দর অমসুং ঝরখন্দগীনা টোপো বিনিটনা পাঞ্জল চলহৌদবনি। অনীশুবা হরয়ানাগী সোট অদু নাসিবনা য়ৈখিবদা পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে। ঝরখন্দগী দিইকা অসিমনা পাঞ্জল চনখি। হরয়ানাগী কুমার আকাসনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। ঝরখন্দগী মায়কৈদগী সোরেঙ দিপক অমসুং লক্রানা পাঞ্জল অমমম চনখি।

পবজি অংথানা ২রকশুবা ওদেসিয়স কপ মণিপুর ষ্টেট ওপন (ইন্টর ভিলেজ) ১১-এসাইদগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

য়াইরিপোক, মার্চ২৫ (ঐচএনএস):

ওদেসিয়স গ্রুপ য়াইরিপোক্না শীন্দুনা পাঙথোকপা অনীশুবা ওদেসিয়স কপ মণিপুর ষ্টেট ওপন (ইন্টর ভিলেজ) ১১-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা পবজি অংথানা টি ৱাই পি ও এফ সী য়াইরিপোক টোপ চিংথাবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

য়াইরিপোক নিংথৌনাইগী শান্নবুংদা টিম ১৮না শরুক য়াদুনা মমাং থাগী ২১দগী গ্রুপ ৪ থোক্লা শান্নবা হৌরকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা পবজি অংথা অমসুং টিৱাইপিওএফসীয়াইরিপোক টোপ চিংথা লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঙ্গল মান্ননা শান্নরকপা অদুনা অহানবা হাফকী অপীবা মতম অদু লোইবা ফাওবা টিম অনীমকপাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। টি ৱাই পি ও এফ সীগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা এটেক অমদা বোল অদু পবজি অংথাগী পেনাল্টি এরিয়াদা কাঙলোনগী ৱাংমদা মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক পেনাল্টি অমা টি ৱাই পি ও এফ সীনা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ গোপিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৪২শুবা মিনট অদুদা মখোয়না পবজি অংথাবু পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

শান্নবা মখা চত্থরকপা পাঞ্জল শোত্থরবা পবজি অংথাগী মায়কৈদগী খোঙজেল য়াঙনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৬ অমরজিৎনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং পবজি অংথাগী শান্নরোয়শিংদা অনৌবা থৌনালাকপগুম তৌখি। মদুগী কান্নবা অদু শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা ফংখি। টিম অদুগী জর্সি নম্বর ১২ জেমসনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা টিৱাইপিওএফসীবু ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। শান্নবগী লেমহৌবা মতম অদুদা টি ৱাই পি ও এফ সীনা ফনা কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল মান্নবা হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংখিদে। পবজি অংথানা মেটচ অদু ২-১দা থোইরগা অনীরকশুবা ওদেসিয়স কপ অদুগী চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট অমদি ইনভাইরনমেন্টকী হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা টি ঐচ শ্যামকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইখি। য়াম্বেম জি পিগী প্রধান সনাবম বিমোলনা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা চঙমদবী জিল্লা পরিষদকী মেম্বর নোমিনী এম দি নাজিমুদ্দিন, অংথা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান মনিহল, অন্দ্রো পি এসকী ও সী জহেরুদ্দিন, য়াইরিপোক পি এসকী ও সী রিয়াজ উদ্দিন লোয়ননা এম ও বি ঈ দি এসকী প্রোজেক্ট ওফিসর অলম অজাদনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

ভেটরান টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ৱাই দব্লিউ সি (এল)না মোদেল ক্লবপু রন ৫০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৫(ঐচ এন এস):

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শীন্দুনা ওরিএন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দ্রী স্কুলগী শান্নবুং অমসুং লাংথবাল ক্রিকেট গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা সুবোল মেমোরিয়ল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাইদব্লিউসি (এল)না মোদেল ক্লবপু রন ৫০দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ৱাই দব্লিউ(এল)না ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৬৯ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী কেপ্টেন কুমারজিৎনা বোল ৪৮দা রন ৭৭ লৌদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি। টিম অদুগী অতোপ্পা বেটসমেন অলাই অমসুং জোদিবানা রন ২৬ অমসুং ২৪ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

মোদেল ক্লবনা মেটচ অদু মায়পাক্কবা হোৎনরকপদা রন ১৭০ লৌবা তাখি। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০ লোয়শিল্লকপদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরদা রন ১১৯খক লৌখিবদগী মেটচ অদু মখোয় ৱাই দব্লিউ সি (এল)গী মখুত্তা রন ৫০দা মায়থীবী নংখিবনি।

টিম অদুগী কেপ্টেন মুজিবুর রহমননা বোল ৪৮দা রন ৬১ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। চেরিসনা রন ১৮ অমসুং অজিজনা রন ১৫ লৌরম্বা অদুনত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ৫ লান্থোকপা ঙমখিদে।

ৱাই দব্লিউ সি (এল)গী কেপ্টেন কুমারজিৎনা রন ৭৭ অমসুং ৱিকেট ৩ লৌরম্বগীদমক ঙসিগী মেন ওফ দি মেটচ মনা অদু ফংবা ঙমখি।

ঈ এস য়ুনা ৱাই দব্লিয়ু সী অমদি দব্লিয়ু এফ এনা আই সী এস এ থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস):

ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেনা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে। অদুগা দব্লিয়ু এফ এ ককচীংনা আই সী এস এ ইরেংবমবু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনন্না শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নরিবা ১১শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচতা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খে অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী হৌরকপদগী ঈ এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা পাঙ্গল হেন্না শান্নদুনা বোল পায়বগী চাংসু ৱাংখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা ঈ এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১০ আই প্রমেশ্বরীনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৱাই দব্লিয়ু সীবু মাঙজিল থারগা লৈখি।

অহানবা হাফকী লেমহৌবা পুংখায় অমরোমগী মতমদা ৱাই দব্লিয়ু সীগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবশিং অদু ঈ এস য়ুগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল লাইন অদুবু নীংথিনা ঙাক শেনখিবদগী পাঞ্জল লৈহনখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপদা ঈ এস য়ুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা প্রমেশ্বরীনা ৫৮শুবা মিনটতা মশাগী অমদি টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৱাই দব্লিয়ু সীবু ২-০দা হেল্লগা লৈখি। শান্নবগী অপীবা মিনট ৮০ লোইশিল্লকখি। ৱাই দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ সী ঐচ বিনোবালানা ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু মখোয় ঈ এস য়ুগী মখূৎতা ১-২দা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুংথিল পুং ২.১৫দা শান্নখিবা ১৩শুবা মেটচতা দব্লিয়ু এফ এ ককচীং অমসুং আই সী এস এ ইরেংবম লম্বা তৌনখি। মেটচ অদু হৌবদগী টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিং লেং মান্নদুনা পাঞ্জল চনবগী খূদোংচাবা অমত্তা ফংখিদে। অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নদনা লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপগী মতম ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা দব্লিয়ু এফ এ ককচীংগী জর্সি নম্বর ১১ এম অম্বিকানা পাঞ্জল ১ চন্দুনা আই সী এস এবু মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী মখা চত্থরকপা আই সী এস এ ইরেংবমগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জল ১ অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মখোয়না পুশিনখিবা বোলশিং অদু দব্লিয়ু এফ এ ককচীংগী শান্নরোয়শিংনা মতাং মতম চানা থিংবা ঙমখিবদগী ঙসিগী মেটচ অদু দব্লিয়ু এফ এ ককচীংনা আই সী এস এ ইরেংবমবু পাঞ্জল ১-০দা থোইরগা মেটচ অদু লোইশিনখি।

কে এম এস দব্লিয়ু সী অমসুং সুগ্নু এফ সীনা মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকপা ঙমখ্রে

ককচীং, মার্চ২৫(ঐচ এন এস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা কে এস ঐচ কিশোকুমার মেমোরিয়ল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা কে এম এস দব্লিয়ু সী (কৈরক মখা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব) অমসুং সুগ্নু এফ সী মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু মায়থীবা পীখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী শান্নবুংদা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০দা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেটচতা সুগ্নু এফসী অমসুং এ আই এফ এ (ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন)গা লম্বা তৌনখি। মেটচকী অহানবা হাফ টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা লম্বা মান্ননা থেংনরকপদগী পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা ফংনখিদে।

অনীশুবা হাফতা সুগ্নু এফ সীগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক অমদা জর্সিনম্বর ৯ দেনিএল লেটমিনহাওনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা এ আই এফ এবু মাঙজিল থাদুনা মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতমদা এ আই এফ এগী শান্নরোয়শিংনা ইক্বেলাইজর ফংনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু কান্নবা ফংদনা লোইশিনখি।

ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০দা শান্নখিবা ১২শুবা মেটচতা কে এম এস দব্লিয়ু সী কৈরক অমসুং ককচীং টাউন ক্লব (কে টি সী) লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফতা কে টি সীগী মায়কৈদগী মাইকেলনা পাঞ্জল ১ চনখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা কে এম এস দব্লিয়ু সীগী লুসর অলমনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। ৫৪শুবা মিনটতা কে টি সীগী এম অর্নোল্ডনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা অমুক হন্না ২-১দা মাঙজিল থাখি। অদুবু শান্নবগী ৬১শুবা মিনট য়ৌশিল্লকপদা কে এম এস দব্লিয়ু সীগী এম দি বেলালনা টিম অদুগী ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং মেটচ অদু মখা তানা লম্বা মান্ননা অমুক শান্নরকখি। শান্নবগী মখা চত্থরকপা মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা কৈরক মখা সোসল ৱেলফেয়র ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা বোল পুশিনবা হেল্লক্তুনা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১২ এম দি অরিফ খাননা পাঞ্জল চন্দুনা মখোয়না কে টি সীবু ৩-২দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

কে টি সী ককচীংগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা এটেক পুম্নমক কে এম এস দব্লিয়ু সীগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী হাফ লাইনদা বোল অদু নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা শান্নবা ঙম্বদগী কে টি সীগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জল ১ অদু চনবা ঙমদনা মেটচ অদু কে এম এস দব্লিয়ু সীগী মখূৎতা ২-৩দা মায়থীবা নংখি।

ইমোইনু স্পাইস, য়ু আই পি ও, বোবস অমসুং মরুপ এফ সীগী মেটচশিং অদু মায় পাকপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৫(ঐচ এন এস):

য়াইসা ককচীংনা শীন্দুনা য়াইসা স্পোর্টস এরেনা ককচীংদা টিম ২৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্লা লম্বা তৌনরিবা অহানবা ককচীং কপ ২০২১ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ইমোইনু স্পাইস এফ সী, য়ু আই পি ও, বোবস অমসুং মরুপ এফ সীনা শান্নবদা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং অদুবু থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা কে য়ুঠ অমদি লমজিং (বি)গী মেটচ অদু দ্রো চৎখ্রে।

অয়ূক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইমোইনু স্পাইস এফ সী অমসুং তশাপা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদু টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নদুনা পাঞ্জল অমমম্ চন্নখি। শান্নবগী অনীশুবা মিনটতা তশাপাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ থাংথুইলেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুবু ইমোইনু এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ কিষননা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অমমম্ মান্নরবা মতুং অনীশুবা হাফতা থাংথুইলেননা মহাক্কী টিমগী পাঞ্জল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। অদুবু ইমোইনু এফ সীগী মায়কৈদগী বিপিনচন্দ্র অমসুং জয়না পাঞ্জল ২ চন্দুনা মেটচ অদু ৩-২দা থোইখি।

নুংথিলগী মেটচতা য়ু আই পি ও অমসুং সুমাক লৈকাইগা লম্বা তৌনবদা য়ুআইপিওনা ৭-১দা থোইবা ঙমখি। য়ু আই পি ওগী মায়কৈদগী সিপিনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় সাকানা অনী, লোয়ননা জাফেট অমসুং জিমরি পাঞ্জল অমমম্ চল্লগা সুমাক লৈকাইগী মায়কৈদগীনা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু প্রেমজিৎনা চনখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা বোবস অমসুং এ পি দি সী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফতা বোবসকী মায়কৈদগী ৩-০দা মাঙজিল থাখি। অদুগা অনীশুবা হাফতা টিম অদুগী মায়কৈদগী মখা তানা ফজবা হেন্দুনা অহেনবা পাঞ্জল ৪ চনবদগী ৭-০দা মায় পাকখি। বোবসকী মায়কৈদগী পুটিন অমসুং সন্তোশনা পাঞ্জল ২/২ চনখি। অদুগা মিলন, মোনে অমসুং পাৱননা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি।

মখা তানা টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ অমদা মরুপ এফ সী অমসুং এ এম এস এ দি লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ অদুদা মরুপ এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা এ এম এস এ দিগী মায়কৈদগীনা বিদ্যাসাগরনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। মখা তারকপা মেটচকী অনীশুবা হাফতা মরুপ এফ সীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা এ এম এস এ দিগী মায়কৈদগীসু পাঞ্জল ১ চনখি। মরুপ এফ সীগী দিনা অমসুং রোশননা পাঞ্জল ২/২ চল্লগা বিক্রম অমসুং ননাওনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। এ এম এস এ দিগী মায়কৈদগীনা বিদ্যাসাগরনা পাঞ্জল ২ চনখি।

ঙসি কে য়ুঠ অমসুং লমজিং (বি)গা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। অহানবা হাফতা কে য়ুঠকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ চল্লগা মাঙজিল থাখি। পাঞ্জল অদু রোহিটনা চনখিবনি। অনীশুবা হাফতা লমজিং (বি)গী শান্নরোয় গোদোনানা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। কে য়ুঠকী রোহিটনা পাঞ্জল ১ চল্লবা মতুং লমজিংগী দয়ানন্দনা ইক্বেলাইজর চল্লগা ২-২দা দ্রো চৎখি।

অহানবা য়াইসা ফুটবোল ফেষ্টিভেল

ককচীং, মার্চ ২৫(ঐচ এন এস):

য়াইসা স্পোর্টস এরেনা ককচীংনা শীন্দুনা এরেনা অসিদা চত্থরিবা চহী ১৩ মখাগী নুপামচাশিংগী ওইবা অহানবা য়াইসা ফুটবোল ফেষ্টিভেলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা জে এ ককচীং, য়ং এফ সী অমসুং নাওফিট মায় পাকখ্রে।

জে এ ককচীংনা ককচীং খুনৌ এফ সীগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৪-১দা থোইবা ঙমখি। ঙসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা য়ং এফ সী অমসুং সেংমাই নিংথৌ এফ সীগা শান্নখিবা অদু য়ং এফ সীনা ৫-১দা থোইখি। অদুগা ৩শুবা মেটচতনা নাওফিটনা এল এম এল সী সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

LOAN AVAILABLE
>HOLI OFFER
HELMET,INSURANCE JPA,
EXTRA ACCESSORIES
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP.,
NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-P/6855/14-30 days alt

টি আর ৱাই ভি সীনা এ এম আই এম ৱাই দি ওবু ৩-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস):

১৬শুবা কে বিরমনি মেমোরিয়ল ভিলেজ ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্টতা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টি আর ৱাই ভি সীনা এ এম আই এম ৱাই দি ওবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা টি আর ৱাই ভি সীনা ২৫-২২দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা মখা তানা টি আর ৱাই ভি সীনা ২৫-২১দা থোইরগা সেট ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অহুমশুবা সেট অদুদা টি আর ৱাই ভি সীগী মায়কৈদগী ২৫-১৯দা থোইদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৩-০দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এম আর সীনা এল এল ৱাই সীবু সেট ৩-১ (২২-২৫, ২৫-৭, ২৫-১৪, ২৫-১২)দা থোইবা ঙমখি।

ঙসিগী অহুমশুবা মেটচতা এস ৱাই সীনা ৱাই পি এবু সেট ৩-১ (২০-২৫, ২৫-১৩, ২৫-২০, ২৫-১৪)দা থোইরগা মায় পাকখিবনি।

মরিশুবা মেটচতা এস দি সী অমসুং বি এস ও লম্বা তৌনখি। এস দি সীনা ফজবা হেনবদগী মেটচ অদু ষ্ট্রেট সেট ৩দা ২৫-২১, ২৫-২১, ২৫-২৩দা থোইবা ঙমখি।

মঙাশুবা মেটচতা এল সী এলনা ৱাই দি এবু ২৫-২৩, ২৫-১৫, ২৫-২১দা থোইখি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতা কে ৱাই এল এস সীনা ৱাই দি সীবু সেট ৩-১ (২৬-২৪, ২৫-১৫, ২২-২৫, ২৫-২১)দা থোইখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT

ইস্তাহার / TENDER NOTICE NO. 05
Dated, Imphal the 24th Mar., 2021.

The Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur invites sealed tenders in P.W.D. form - 7 on behalf of the Governor of Manipur from the approved and eligible registered Electrical Contractors of P.W.D., Manipur as mentioned below up to 2.00 p. m. on 05/04/2021 for the following works:-

Sl. No.	Name of Work	E/Cost (Rs)	E/ Money (Rs)	Cost of T/Form (Rs)	Time Allowed
1	Improvement of IEI in the Type-IV Quarter occupied by Executive Engineer at Tamenglong.	2,91,909	5838	500	30 days
2	Improvement of IEI in the Type-III Quarter occupied by AE at Tamenglong.	2,18,999	4380	500	30 days
3	Improvement of IEI in the Type-III Quarter 1 no. & Type-I Quarter 1 no. occupied by PWD staff at Nungba.	2,91,923	5839	500	30 days
4	Improvement of IEI in the Indoor Stadium of Bal Bhavan i/c compound lighting and temporary lighting arrangement in Kitchen, Dining Hall and Toilet at Khuman Lampak with relation to 3rd State Conference of ABVP and RSS Tarun Shivir General Conference.	2,19,016	4380	500	10 days
5	11th Manipur Legislative Assembly Election, 2017. (SH:- Providing Temporary lighting arrangement in the strong room, counting hall, receipt centre for polling personal, temporary kitchen for CPMF in the DC Office Complex, Bishnupur.)	1,73,035	3461	500	10 days
6	Renovation of IEI in the Counting Hall in connection with the 17th Lok sabha Election, 2019 at Kangpokpi.	1,15,334	2307	500	10 days
7	Maintenance of IEI in the various buildings (Block A, B, C, D, Electrical Circle, Building Division No. I & CRPF Security Barrack) in the PWD, Complex Khoyathong.	3,53,345	7067	500	30 days
8	Renovation of IEI in the Counting Hall in connection with the 17th Lok sabha Election, 2019 at Kangpokpi.	1,15,334	2307	500	10 days

1. Application for the purchase of tender forms may be submitted up to 12.00 noon of 03/04/2020.
2. The terms and conditions for the purchase of tender forms can be had from this office 11.30 a.m. to 4.30p.m. on any working day up to 01/04/2021.
3. The earnest money should be deposited in the form of Demand Draft/ D-at Call drawn in favour of "Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur" from any nationalized/ schedule bank of India. The tender papers without Earnest Money in the prescribed manner will be rejected. The undersigned reserves the right to accept or to reject any tender or part thereof assigning any reason thereof.

Sd/- Executive Engineer,
Electrical Division No.III
P.W.D., Manipur.

HL-B/6880/26

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT

ইস্তাহার / TENDER NOTICE NO. 06
Dated, Imphal the 25th Mar., 2021.

The Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur invites sealed tenders in P.W.D. form - 7 on behalf of the Governor of Manipur from the approved and eligible registered Electrical Contractors of P.W.D., Manipur as mentioned below up to 2.00 p. m. on 06/04/2021 for the following works:-

Sl. No.	Name of Work	E/Cost (Rs)	E/Money (Rs)	Cost of T/Form (Rs)	Time Allowed
1.	Improvement of IEI to the BDO office at Khoupum-Nungba Block at Tamenglong i/c security lighting.	11,54,636	23,093	500	60 days
2.	Improvement of IEI in the Type-II Quarter 4 nos. occupied by PWD staff at Tamenglong.	5,10,853	10,217	500	30 days
3.	Improvement of IEI in the Type-III Quarter 3 nos. occupied by SDO, SDC staff at Nungba.	2,91,957	5,839	500	30 days

1. Application for the purchase of tender forms may be submitted up to 12.00 noon of 05/04/2020.
2. The terms and conditions for the purchase of tender forms can be had from this office 11.30 a.m. to 4.30p.m. on any working day up to 03/04/2021.
3. The earnest money should be deposited in the form of **Demand Draft/ D-at Call** drawn in favour of "**Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur**" from any nationalized/ scheduled bank of India. The tender papers without Earnest Money in the prescribed manner will be rejected. The undersigned reserves the right to accept or to reject any tender or part thereof assigning any reason thereof.

Sd/- Executive Engineer,
Electrical Division No.III
P.W.D., Manipur.

HL-B/6880/26

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com